# ইন্টরনেশনল এন্টি করপশন দে : লাইৱানি হায়সিরা, হিংচাবীনা শরী শোনবনি হায়না লৌগদ্রা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ঙসি দিসেম্বর ৯ অসি অচম্বা নুমিৎ ওইরমদ্রে, ***ইন্টরনেশনল এন্টি করপশন দে*** হায়না মালেম শিনবা থুংনা থৌরম পাঙথোক্কদবা নুমিৎনি। কুমসি চহীগী থিমদি ***Uniting with Youth Against Corruption : Shaping Tomorrow's Integrity*** নি। খোঙহৌ অসি কুমজা ২০০৩দা য়ুনাইটেদ নেশন্সনা হৌদোকখিবনি। মীওইবা খুন্নাইদা লৌনগনবা লায়না অমা ওইনা শন্‌দারক্লিবা তমথীরবা ক্রাইম অমনি হায়বসু য়ারবা, মসিবু মাঙহন্নবা হোৎনবদা লুনা থোক্লবা করপশনগী মচৎনি। মসিবু পাম্মী, ফৈ হায়বা কনাবু য়াওবগে? ফত্তে খঙনা খঙনা, পামদে হায়না হায়না ঐগী হায়বা অপাম মিহৌলাংদা লুপ্পবা মরম্না মসিদা হেক্তমক ঈরাক্লে। লায়না অসিনা লোই চনশিল্লকপা মরম্না ক্রাইম কয়াগী হৌরকফম ওইবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়বা য়াই। মসিমক্তা য়ুনাইটেদ নেশন্সনা থবক অসি পায়খৎলকপা ওইরম্বসু য়াই।

ঐখোয়গী লমদম অসিদসু করপশনগী ৱাফমসি য়ূমথোঙ খুদিংদা ঙাঙনরিবা ফোঙ ফোঙ শারিবা হীরম অমনি হায়বদা লাল্লোই। মসিগা মরী লৈননা মী অয়াম্বগী তাইনফমদি লৈবাক্কী মপী-মপা ওইবা লৈঙাক্লোয়শিং, মকোক থোংবা ওফিসরদগী হৌরগা খোঙবী, খোঙনাও ময়াম অমদনি। অদুবু ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবদি মসিদা মীচম ময়াম অমনসু শৌগৎলি হায়বসিনি। ঐখোয় শ্বায়দা ঙাঙন-শক্লররিবা করপশনগী হীরমসি মরু ওইনা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগী থবক লৌবগী মতাংনি হায়বা য়াই। পূন্সি খোঙচৎসিদা জাৎ-জাৎ য়াম্না থেংনৈ। লৈঙাক্কী থবক চঙবদা ৱানোমশেল পীবগী ৱাফম্না য়ঙ-য়ঙ লাউনা নাপদা য়ৈরকখিবগা লোয়ননা মন্ত্রি-ফাদ্রি, এম এল এ-তুমেলে, ওফিসর-নোংফিসারদা ৱানোম-থৌনোম্বা চৎনবগী ৱা অদুম্মক তাখিদবা নত্তে। অচুম্বরা তোকঙারা হায়বদুসু খঙদে অদুবু চুম্লমগনি খল্লগা লৈবীদুনি। নুংশিৎ শিত্তনা উনা লেঙদে হায়বা পাউরৌসিদা থাজরিবা হায়দু ওইরজাৎনি।

ঐ চহী তরামাথোই সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজ, কোমলাথাবীদা (মতমদুদা লৈঙাক্কী গ্রান্ট ফাওবা ফংদবা প্রাইভেট কোলেজ ওইরি) য়ুংশিল্লগা লৈখি। পূন্সি হায়বদু অসিরা হায়বগী ৱাহং হংনীংবা য়ৌনা নীংবা কায়রবা মতাংদা এম পি এস সীনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী রেগ্যুলর পোষ্টকীদমক লেকচরর ময়াম অমা লৌবগী নোটিস থোরকই। খঙনা খঙনা ঐ ফোর্ম লৌদনা নুমিৎ খরনি লৈখি। মতমদুদা ঐগী কোক্তা করপশন হায়বা ৱাহৈসিনা থমাইখিবদৈ পূমতন তন্থহনখিবনি। ৱানোমশেল লৈতবা ঐনা বস অতোংমল অমদি ফোর্মগী মমল তিংনবনি খনখি। অদুবু ঐনা শুংখঙ খঙদবীদা নোংমা ইতৈ অহলগী মচানুপানা (মতমদুদা মহাক এম দি এসতা থবক তৌই) ফোর্মদু পুরকই হায়দুনা পীরকখি। অদুবু ঐ ফোর্মদু হন্না য়েংনীংখিদে। ঐখোয় অঙাং মপানদি য়াম্না থেমখি, লাইবক চাং য়েংঙু হায়না। মতমদুদা ঐনা হায়খি, "কদাইদৈ শেলনা ৱানোমদোইনো?" কাইনথংদা ফোর্মদু থাজিনখ্রে। ঐ হোৎতি খরা হোৎনখি। ঐগীসু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী আশাদা হোৎনখিবা নত্তে। ইখাগী অঙাং ময়াম মরক্তুদা রিট্টন টেষ্ট থাবা য়াওরিনেনা য়াওরগা ফেল ওই হায়বদু ইকায়বদগীনি।

লাইবক ফবা হায়গদ্রা রিট্টন এগজামদু য়াম্না লায়না থোকখি ঐঙোন্দা। লোইরগা থোরকপদা এম পি এস সীগী হোলগী মপান্দা ঙ্কং-ঙ্কং হেক নিন্নরম্মী। তৌরিবশিংদু মমিংখক্তগীনি, খল্লবা মীওইশিংগী মিং য়াওবা লিষ্ট উবা/খঙবা মী য়াওনরে হায়বসিদনি। ইশাদু ইচোক চোকথনা হল্লকখি। অঙাং ওইরিবী ইচানুপী অনীগা মপাগা ঐখোয় মরি লাষ্ট বসতা হল্লকখিবদা মপা মচা মখোয় অহুমদি ঐনা এগজাম থারিঙৈদা আশা সিনেমাদা ফিল্ম য়েংলুবগী, হোটেলদা চা থক্লুবগী ৱারী ইনুং নুংঙাইনা শানৈ। ঐদি নুংঙাইবা ইঙম ঙমদে। থাজদে, রিজল্ট হায়দোকপদা ঐগী রোল নম্বরদু পাউচেদা খিন্দুনা লৈরম্বা উখি। মিহুলসি তিং-তিং চোংখি, ইথক থক্কৎখি। অদুবু ইন্টরভিয়ু অমা অমুক মায়োক্লবা তাবনা খৌনাউসিদা ঙা মরূ পনবগা পাঙ্খক ওইখিবনি। ইন্টরভিয়ুদুসু অদুম নুংঙাইখ্রে। মদুদনা হেন্না শাথীবা অমা ঙাঙনরকখ্রে। ঐখোয়' মপানদি থাজবা য়াবা নত্তে, তোকঙানি হায়না অদুম হায়দুনা লৈ। রিজল্ট হায়দোরক্লে, এম পি এস সীনা রেকমেন্দ তৌবা হিষ্ট্রিগী মেরিট লিষ্টতা ঐনা অনীশুবা তাদুনা য়াওরকপা উবদা খনখি, করপশন হায়বদু লৈতবজাৎনিদা।

অমুকসু খল্লি, মসিমক ওইদুনসু লৈতে হায়বা য়ারোই। ঐগীদু করিগুম্বা লাইবক ফবা পুংফম খেফমদা মরক শৎনা এন্টি করপশনগী ৱাখলদু মথি খংফোংফোংলকপগা মপা চান্নরুবগী ওইরম্বসু য়াই। করপশন তৌই হায়বসিদা থাজরোইসিরা হায়রসু ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিংদা করি করিনো তীল-কাং হেক য়াওরকপদা করপশন মথি ফোংলবোই হেক মনীংই। চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা য়েংলুবদা পেন্দবনা পিক থল্লি। লম্বী সড়ক শেল্লিনেনা চহী ফাদে কোমকুৎকী কোমকুৎ ঙাক্তা। রাজনিতিদসু অদু মঙায়রে, ইলেক্সন তৌরমদাইদা উখিবা টিকেৎ মুন্নবগী কুম্মৈ, লৈঙাক শেল্লমদাইগী লাল্লোঙ, মসিসু করপশনগী শরুক অমনি হায়বা য়াই। অশিবা শেল ওইবৈ ৱাদি খঙদে হৌজিক্কানগী লৈঙাক্কী থবক চঙনবৈ ৱানোমশেল পীদবা য়াওদে হায়নৈ, লাখ লাখনা খুজিং ওইরগা। হায়নরিবশিংসিনা অচুম্বা ওইরগদি মতম খরগী মতুংদদি ক্রোরগী ৱারোমদা লাকপদু খঙদে।

মসি থায়নদগী লৈরক্লবা মচৎ ওইবজাৎনি। মরী লৈনবা খুদম অনীদং থমজগে। মালেম নোংখোঙ কোয়বগী মিথতা অশিবনা মালেম নোংখোং কোয়খ্রিঙৈদা ঙম্লরোই হায়দুনা ফম্লগা লৈহৌবা অপানববু পলেম মমাগী খুজিন থৌরাংনা গুরুগী ফম্বাল তোংহনখিবদু করপশন তৌই হায়বগী ময়েক লারবা খুদম্নি। বৃটিশ লোইলম মখাদা নেটিভ ষ্টেট অমা ওইনা নিংথৌ পান্দুনা লৈরিঙৈ মতমগী মণিপুরদা অমাঙবনি হায়না লৈবাক নিংথৌনা অমদি মীয়াম্না ইন্থোক্লবা মীশকসু করপশন তৌদুনা শেংহনবা য়ারম্মী। নিংথৌদা, ব্রহ্মসভাদা, রতন্দা শেলবু পীরবা অদুম্মক শেংদোকপীরম্মী। ঙসিদি করপশনগী চৈথেংনা য়ৈবদা অৱারাই চুবা হায়বদু য়ৌরবনি। মসিগী হায়রুরবদি এন্টি করপশন দেগী পান্দম মপুং ফাহনবগী মথৌ তারে। তশেংবদি করপশন মুথৎনবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম খুরক হাঙদবমখৈ পাঙথোকপগী মতম ওইরব্রা খল্লি নৎত্রবদি লায়রবা লৈহৈদবা হায়বদু শোয়দনা ওইরক্লনি। অরোয়বদা চায়নপুঙ ওইদুনা ঈগী সমুদ্র শেল্লকপসু য়াই। ঐখোয়' ৱাদি এন্টি করপশন মথি ফোংবীরোসিদা লৈরে। মদুগা লোয়ননা দিসেম্বর ৯গী ইন্টরনেশনল এন্টি করপশন দে থৌরম অসিবু শিদয়াই-নাদয়াই লাইৱা ওইহনবীরো। অদুবু হিংচাবীনা শরি শোনবদি তাহনবীরক্তবা, মসিনি ঐখোয়গী লাইনীং। ●

# ঐখোয় হায়রিসিবু ঐ য়াওব্রা

- নবকুমার ওইনা -

ময়াম্না হায়নরিবা 'ঐখোয়' হায়বা খুদিংদা ঐ য়াওজদে। ঐ য়াওদবা 'ঐখোয়' ময়াম অমা লৈফম থোকই, মালেম অসিদা লৈরিবা 'মীওইবা ঐখোয়' হায়রবদি শোয়দনা য়াওগনি খল্লি। মীওই খরনদি মদুদসু য়াওহন্নীংদবা য়াওরম্বা য়ারিবনি। অদুদসু ইকায়বা অমদি ফাওরিনি, মালেমগী খনবা ঙমদ্রিবসিগী হায়রবদি ইতোমতা খনবদা মীবু মাল্লক্তে। ঐখোয় হায়বসি নীংতম্না হায়বা য়াবা-য়াদবা য়াম্না খায়দোক্লি। মীনা তাবীদবীদা পঙহায়দা হায়বদবুদি অথিংবসু লৈতে, ঐখোয় নীংতম্লি হায়বা য়াদবা (য়াদবা মী) ময়াম অমা লৈরবনি। মীগা লোগা পূন্না চৎমিন্নৈ হায়বসিমা চানদ্রবা ৱানি। লো য়াওদনা মীনা পঙতৌদা তৌশিনবা থবক-থৌওং ময়াম লৈরিবনি। য়াম্লগনা চাওখত্তবা, য়ামদ্রগনা চাওখৎপা লৈবাক মচা তাবা লমদমনি সিনি।

মীনি হায়রগা ইকায়বা খঙদবা, চাওজগনবা, লম খোপচিনগনবা, লাইকাক য়াম্না নীংজবা, নিংথৌ শাজৎ পামজবা ময়াম অমা লৈরিবনি। মখোয়গা লোয়ননা কাঙবুদি মরাইবক থীরদৌবনি, মরমদি মখোয়দি মীনা হায়বা তাগন্দে, মখোয়না নীংবনা চুল্লবনি খনগল্লি, মী উশিত্তে। মখোয়না হায়বা 'ঐখোয়গা' ঐখোয়না হায়বা 'ঐখোয়গা' মান্নদে। মখোয়গী নাৎ, লোল, শাজৎ, লম মমিংগী মখাদা লৈয়ু অসিনি। মদুগুম্বদুদি মালেমসিদা চৎনরগুমসি, তৌনরগুমসি হায়নখিবা কুইরবনি। মপুক ফত্তবগী মথক্তা অপঙবা তাগদৌবা শাজৎ অদুনা লৈবাক থুগায়রক্কদৌরিবনি। মদু ফাওবা খঙজদনা চাউজবা শানরিবনিদনা। মখোয়না তৌরিবদু মালেমগী খনবা নত্তে, মীওইবা হায়বসি অদুক হাক্লা চাওখৎলবা নৎত্রি হায়বা উৎলিবনি, মখোয়গুম্বা য়াম্না লৈরি। উকায় তক্লগা হেক্তা তেমথোকপা য়ারগদৌবা নৎত্রিবনি।

লমদমসিদসু 'ঐখোয়' মখল য়াল্লিবনি। ঐখোয়গী ঐখোয় ঙাক্তনি। ঐখোয় লৌমী, ঐখোয় লাইনিংবা, ঐখোয় পোলিটিক্স তৌবশিং, ঐখোয় ডাক্তরশিং, ঐখোয় ইঞ্জিনিয়রশিং, ঐখোয় পুলিস, ঐখোয় হোমগার্দ, ঐখোয় দ্রাইভর, ঐখোয় মৈরা পায়বী, ঐখোয় শান্নরোয়; কাউগেবু তৌই য়াম্না লৈরি, ঐখোয় মহৈরোয়, ঐখোয় মশেল পঙৱায়দা ৱায়নবদা পুল্লাং লাংলবনি। ঐখোয়গী লূপয়ামসি চেঙ্গুমদগী মশীং হেল্লিবনি। পঙলিঙৈদদি পঙলৈদা লৈনরম্বা হায়বদুনি। 'ঐখোয়' মশীং হেনগৎলগা শিংবা হেনগৎলকপনি হায়বদি য়াদৌবা মান্দে। পঙবা হেনগৎনরগনা নুংশিনদবা হেনগৎপদি মশানা তাবনি। পঙবা মাল্লগা শিংবসু লৈগনি, পঙশিন্নবসু লৈগনি। য়াকাথোরকপদনা ইখঙ খঙনবা হায়বদুনি। ঐখোয়গী লৈবাক্লা ষ্টেটলা খঙবদি ঙমদে।

য়োং ফাওবা পঙখৎ খৎনদ্রবা মতমসিদা খ্বাইদগী খৎনগনবা শাসি মীওইবনি হায়বসিদি মালেমগী লৈমায়সি য়েংবদা খঙলিবনি। খূৎনা ফূনরম্বদগী মিসাইলগী থাক য়ৌরে। ঐখোয়সু ষ্টেট অসিবু লৈবাক অমা ওইনা খনবসু লৈরি, নীংতমদে হায়বগা নীংতম্লে খনবা খরগা খৎনবা তোকপা নত্তে। মদুগী মরম লৈফম থোকই, 'ঐখোয়' মান্নদবনি হায়রিবনি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ঐখোয়গী ৱাথোকশিং অসিগী মরক্তসু 'ঐখোয়' মান্নদবসিনি। নাপল ওইনা লৌনগদ্রা নৎত্রগা পঙবগী ওইগদৌরিব্রা ময়েক শেংনা খঙনরববু মাল্লক্ত্রবনি। খন্থদবদি য়াদবা,তঙাইফদ্রবা অমা ওইরিবনি। লূপ অমত্তদা য়াওদবা লূপ কয়ানা য়েক্লবা ওইনা খনবা মীওইসু ময়াম অমা য়াওরিবনি। অদুনবু মখোয়গী 'ঐখোয়' দু 'মখোয়গী' হায়দ্রিবনি; 'মখোয়' হায়রগনা লাপ্পবা হেক্তা মাল্লকইবনি, পুন্দে হেক্তা হায়রক্কদৌরিবনি। মখোয়না য়াদবা অমসু লৈরি, ঐখোয়গী লৈবাক অমা লৈ হায়বসি মখোয়না য়াদ্রিবনি। অদুদবু মখোয়গী মথৌ করিনো? মখোয়না উশিত্তবসি লৈবাক অমা ওইনা খনবসি লাল্লি হায়না ফোংনা ঙাঙবা ঙল্লিবনি। ঐখোয়না ইথৌ করিনো খঙদবা তারক্কদৌরি। মখোয়গী 'মখোয়' গা ঐখোয়গী 'ঐখোয়' গা মান্নবা য়ারক্ত্রিবসি মতাং অসিদনি। ঐখোয়না চুম্মী, মখোয়না চুম্মী হায়বগী ৱাদু নত্তে, মসিবু হৌনরিব্রা হায়বগী ৱাদুনি। মী হায়বসি ৱাথোক-শা ওইরকপসিদি মীওই খরতগী ৱাখলদগীনি, মীপূম খুদিংমক্লি হায়বদি য়ানরক্লোইদনা।

'ঐখোয়' হায়বসিগী মরক্তা 'ঐখোয়' হায়বা অমগী য়েক্লবশিং য়াওরি। মদুমক্তা য়ুনিটি পুরকপা ঙমদবগী মরমসু ওইরিবনি। ঐখোয়-ঐখোয় অনী অঙম তান্নরি, মথক থংবসু তান্নরি, মোয়থেম তৌনরি, হাৎনবা ঙম্নরি। ঐখোয় হায়বসিনা পিকশিল্লিবমখৈ ৱা-থোকপা হেল্লি, পাকথোক চাউথোক্লিবা মখৈ মী মানবা হেল্লিবনি। লৈবাক্কী ৱাথোকসু 'ঐখোয়' হায়বশিংনা মকোক চিংদুনা পুরিবনি। ইমুং-মনুং, কৈরোই-লৈকায়, খুল্লক লৈরক, কোনুং, লোয়শঙ পূম্নমক লাইখায় তাদবা ৱাখল পরিং অমদা চরাংনদুনা লৈরে। লৈবাকসি পুল্লাং লাংলে, কনানসু ৱাতেম্বা ঙমদরে, লাই নীংবনা য়াদ্রে, লাইরিক তম্বনসু য়াদরে, তম্বদবু য়াওরক্ত্রে। অসি য়ৌরবা ফাওবদা 'ঐখোয়' হায়রগা লেল্লিবনি, পুনশিন্নবগী ৱা য়াওনদ্রি। কনা-কনা পুনগদৌরিবনো? ঈশিংগা থাওগা পুল্লগা অমোৎপা চাম্নবা সাপোন শেম্মীবনি হায়বনি। পুনবা য়ানদদুনা মচেৎ-মচেৎ পুনগেরা পুল্লোইরা, মমায় পান্দ্রিবসিনা করিগীনো হংবা মীসু লৈরবনি। পুন্নদ্রিবদি মরমচৎননি, মরৌশিংনা নত্তে।

পুৱারী খরা চিনফা পুনরগা য়াম্না লেম্না, কোটকা লিৎনরগা ফজ-ফজবা ৱা ঙাঙনরগা অসুম লেনবা য়ানরগদ্রা। মমাশিংনা থৌদাং লৌরি অমুক হায়, নহাশিংগী খূত্তা লৈসু হায়, লৌফমবু খঙলক্ত্রে। পঙহায়দা হায়নবসিসু মোনার্কিজমগী মনুং মাল্লকইবনিদো। কাওনা অমুক ইন, ষণনা অমুক ইন, খম্বা য়াওরমদবগী ৱাদু নীংশিংলকই। করিনো অমা, কনানো অমা ৱাৎলিবগুম উহল্লি হায়বনি। ঙাঙবা কনবনা অচুম্বা শাবসু ৱা লৌনদ্রবনি, চৎনদ্রবনি। তেনখ্রবা পূন্সিসিদা মতম মাঙহনবদুনা হেন্না পাম্মুখ্রে। পূন্সিদি শাংনবা হায়রি, লৈফমদি কদায়দা, ইচা-ইশুশিংগীনা কদায়দা? হিংলুবগী করিবু কান্নরিবা? 'ঐখোয়' হায়রুবগী কান্নবনা করি ওইগদৌরিবা, 'ঐখোয়' হায়রগা মুন্নরিবনা করিগী, লোল অসিদা 'ঐখোয়' হায়বা কয়া কুইনবু য়াওখিগদৌরিবনো? চায়খায়রগা মাঙখিবশিংগী মরক্তা লোল অসিগী মপুনি হায়রম্বশিং য়াওখ্রবনি। ঐখোয় ইশেন থাগৎনরিঙৈদা ইরৈবাক হায়বদুমদি লৈরমদ্রবনি, মদু ফাওবা খঙজদ্রবা হায়বসি মুৎপা লোইরে হায়ববু য়ারবনি। চহী ৪০০-৫০০গী মমাঙগী ৱারীদা হিংলিবনি খনবতনি, অদুসু কোয়কাক খাক্লগনি, মোন্দ্রংদা থাদগী হৈবোং হেক্তা থাথরক্কদৌবা লৈতে। লৈবাক্কী থবক্তা শেন্দোং তানবা মী য়াম্না লৈরি। মখোয়দুনি লৈবাক য়োল্লগা চারিবসি। লাই তোংবা শারগা অরেম-অপা খরা চারগা লৈবাক কনবা ঙমগদৌবা লৈতে, লাল্লোংগী মনুংদা লৈবনি। ৱা তান্নবা হৈত্রগা ৱারেপ লাকপা হৌনদে। 'ঐখোয়' মান্নদ্রগা পাউ ফাওনবা হৌনদে। ঙসি তৌগদৌবা থবক্কী ৱারেপ লৈত্রি হায়বদুনি।

'উতং মমিৎ হন্থনা পানবা হুয় তরেৎনা কাবা চীং, থাঙ্গ চীং, থাংদুনা-চিংদুনা পুই হায়বদগী থাং-চীংবু লাই ওইনা নিংনরম্মীবনি। কৌব্রুদা হান্না লামগনো, থাং-চীংগী হোজং থিখোও' হায়বসু লৈরি। লাইদি হরাওই, লাই নীংবদি য়াওদে, নীংদ্রবদবু করিবু ফংগদৌরিবনো? নোংমাই নিংথৌ শারুবদগী কংলাগী লারৈসু থুপখ্রেদনা। লোক্তাককী, কাওশিং-কাওরা পাথদুনা মাঙখ্রে। ঐগী-খোয়দি কংলাগী খুভম্লি, খোয় খঙবা ময়াম্না পুনবদুবু 'ঐখোয়' কৌবনি, ঈ মরীনি হায়বসু খঙলিবনি। ফুদিত্তা লাই নীংগনো হায়বনি, কংলা খঙদ্রবদি ফৌগৌবসু য়াদবনে, ফৌওইবীসু লাক্লোয় হায়রিনি। ঈশৈতনা য়ারোই, কুম্মৈ নত্তে। 'ঐখোয়' খঙদনা কদায়দগী লৈবাক্লো, লৈতে। মীগী খোয়দা খূৎ শাংগনু, লাই খূৎশাংবী খূৎ ককখিবনি। ●

# মোনপাজ ওফ অরুনাচল প্রদেশ - (১)

- গুরুময়ূম নির্মল -

কুমজা ১৯৯৯/২০০০ মতমসি ইবাইগী হকচাং খরা নুংঙাইতবা মতম থোক্তুনা ফিল্ম নম্বা পামজখ্রবা ইবাই শ্যাম শর্ম্মা ফিল্ম নম্বা ঙমখিদে। খূৎতদি নমগদবা ফিল্ম ১/২ লৈ। ফিল্মস দিভিজন, মুম্বাইগী ফিল্ম 'মোনপাজ ওফ অরুনাচল' এপ্রুভ তৌদুনা লৈরবনি। নম্বা ঙমদদুনা লাকপনি। এম এম ৩৫গী কলরদা অরুনাচলগী টৱাংদা নমগদবনি। ইবাইগী হকচাংগী ফীভমদুদা হায় অলটিচ্যুট অমসুং কা হেন্না ঈংবা মফমদুদা চৎলগা ফিল্ম নম্বা খুদোংথীনীংঙাই ওই।

ঐখোয় ময়াম খন্নরে ইবাই টৱাং চৎতনা ফিল্ম নম্বা তারে। কেমেরামেনদি কনানা ওইগনি হায়বদা ঐনা ইরোম মায়পাক্লা নমহল্লসি, ফোকস অমসুং এক্সপোজরগদি নিংথৌজম দিলিপনা মতেং পাংহল্লসি। সাউন্দনা ঐক্তা অরিবমগী শান্তিইমোনা রেকোর্দ তৌবা। লাইটনা নিংথৌজম সোনাচান্দ, গুরুময়ূম জ্ঞানেন্দ্রো (ইমোচা) না তৌহল্লসি হায়নরে। দিরেক্সনদা হাওবম রোনেল, বাচস্পতিময়ূম সঞ্জু, তরুন মঙাং, মখোয়না ফিল্ম নম্বা, ঐনা পূম্নমক য়েংশিনবা হায়বদা য়ান্নদুনা টাটা সুমো অনী ৱাইরগা তৱাংগীদমক জন্যুৱারী ১৮দগী ঐখোয় টৱাংদা চৎনবা শেম শারে।

ইবাইগী শুমাংদা জন্যুৱারী ১৮গী অয়ুক্তা পুল্লে। চৎলমদাইদা ঐখোয় ময়াম ইবাই শ্যাম শর্ম্মদা চঙদুনা খুরুমজরে। টাটা সুমো অনীদা ঐখোয় খোঙশানবা হৌই। জন্যুৱারী ২১দা টৱাংগী মোন্সাটরিগী 'টোরগীয়া' ফেষ্টিবেল হৌগদৌরি। মতম মতমগী মথৌ তারকপদা দিরেক্সন, ইন্সট্রক্সনদি টেলিফোনদা হংবা হায়না লেপ্পরে।

মতমদু মোবাইল ফোন থোকত্রি। নুমিৎ খুদিংগী ফিল্ম নমখিবগী রিপোর্ট তৌদুনা মখা করি নমগদগে অমসুং শোট লৌগদগে হায়না ত্রঙ্ককোল টেলিফোন তৌদুনা হংবা হায়না লেপ্পরে। ঐখোয় জখলাবন্দাদা চাক-ঈশিং চারগা ব্রহ্মপুত্রগী মথক্তা শাবা শাংলবা থোংদু লান্থোক্লগা টেজপুর য়ৌরে। মফম অদুদগী অরুনাচলগা অসামগা লোন্নবা বোর্দরদা ইন্নর লাইন পর্মিট লৌরগা চৎপদুনা বমদিলা য়ৌরে। বমদিলাদগী চৎপদুনা চাউরবা চীংদুমগী লম্বীদা লৈ-লৈদুনা কারগা চৎপদুনা চীংদোল য়ৌরে। মফম অসি য়ৌবদা লম্বীগী মপান্দা নাপী-শিংবী মতোন্দা উন খরা খরা পকপা হৌরে।

'সেলা-পাস' য়ৌবা মতমদদি মফমদু উননা লম্বীদু ফমজিন্দুনা লৈরম্মী। গাড়ীগী ইঞ্জিন ঈংথমনখিদনা গাড়ীদু চিংবা ঙমদ্রে। গাড়ীগী রেদিএটর মমাঙদা বোরা খল্লগা চৎলি। ফমজিল্লবা উনগী লম্বী অদুদা গাড়ী চকাদু নান্দুনা হাই-হাইদুনা চৎলি। ঐখোয় ময়াম গাড়ীদগী কুমথরগা গাড়ীদু ঙাক-ঙাক্তুনা সৈলা পাস লান্থোরকখি। (হৌজিক্তি টনেল অমা শেল্লে হায়বা তারে)। লম্বীদা ফজখ্রবা ৱাটর ফোল খরসু থেংনৈ। উচিন নাচিন্না মল্লি-মল্লি তৌবা মতমদা টৱাং য়ৌরে। হান্না বুক তৌখিবা গেষ্ট হাউসতা ঐখোয় পোৎ চৈ থমজিনদনা মফমদুদা লৈরম্বা হোটেল অমদা ঐখোয় ১৪/১৫গী চান-থক্লবা শিলহল্লে। চাবা লোইরবা মতুংদা ঐখোয় গেষ্ট হাউসতা পোত্থারে।

'বুখারি' হায়না খঙনবা মৈফুগী মৈশানা কা অদু ফোং-ফোং লাওনা শাগৎহল্লগা ঐখোয় তূমথরে। কা অদু ঈশিং খরা থমদবা য়াদে মরমদি মৈশানা ওক্সিজেন লোইনা চাকথোকখ্রবদি নিংশা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবতা নত্তনা শিবা ফাওবা য়াওবা য়াই।

অৱাংবা অলটিচ্যুটতা অকনবা থবক তৌগে হায়রবদি দি-ক্ল্যমেটাই তৌদ্রবদি শিবা নাবা থোকপা য়াই। ঐখোয় মীতৈ মচাশিংগী তোঙানবা গুণ অমদি হায়রিবা দি-ক্ল্যমেটাই শুক্তৌ তৌদনা থবক হেক্তা হৌবা ঙমখিবা অদুনি। নোংঙাল্লে, ঐখোয় খরা চৎতুনা টৱাং মোনাষ্ট্রিগী লম্বোইবা মকোক 'রীম্পুজী' উন্নদুনা ৱারী শানরে। ফিল্ম নম্বগী অয়াবা লৌরে। ঐখোয়বু রীম্পুজীনা মুগানা শাবা সনা মচুগী লেংয়ান ঙক্তা য়ানবীরে।

য়াম্না তাঙলবা থৌদোক অমদি ঐখোয়না লেংয়ান্দো ঙকশম ঙকশমদা য়াল্লগা ঐখোয়গী লৈফম ফাওবা হল্লকপদদি লম্বীদা চৎলম্বা, লৈরম্বা নুপা-নুপী, অঙাং-অহল খায়দনা ঐখোয়দা খূৎ লোন্দুনা খুরুম্লকপা অদুনি। কয়াদা মতিক ময়াই চেনখ্রবা রীম্পুজীগী খুদোলনো? মোনাষ্ট্রিগী অকোয়বদা 'ওম মনি প্‌দমে হুম' হায়বা মখোলশিংনা অতিয়াদো পুমনিল নিল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৭কী ৱাহং

১) "য়াঙনা পাইখ্রেদকো পুন্সি" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?
২) "নবাব-নন্দিনী" (১৯৭১) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।
৩) "ঐগী মরুপ মপাংশিংনা ঐবু খরনি উদে, টেলিফোন তৌবসু ফংদে কদায়দা মাঙলুরিবনো হায়না হংই।"

ৱাহৈ পরেং অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমনা ইবা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৪) "ঐদি ফাওদবা য়াদে" হায়না মিংথোনবা রেদিও দ্রামা অসি য়াওবা লাইরিক অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।
৫) "ঈথক্‌-ঈপোম্‌" হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।